ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৩৯শুবা মশীং

নোংপোক থোঙ হাংবা

মণিপুরগী মীয়াম করি থৌরাং তৌহৌরবগে ?

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিংনা হায়রম্বা ৱাফম অমা পনবা তারগদি- নোংপোক থোঙ হাংগনি হায়বসিনি। মণিপুরগী লম্বী-থোংগী ফীভম ফত্রিঙৈ, ম্যান্মারগা লল্লোন-ইতিক্কী থবক নীংথিনা তৌনদ্রিঙৈ মতমদদি নোংপোক থোঙ হাংবা হায়বসি করিনো হায়বা কনা অমত্তনা নীংথি-নুংঙাইনা খঙনখিদে। তৌবদদি মতমদুগী অহল-লমনশিং অদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপা মতমদা নোংপোক থোঙ হাংলগদি মণিপুরী খুন্নাই নুংঙাই য়াইফরগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমদি অদুম পীরম্মী। ৱাখল্লোন অদুদা মণিপুরগী মীয়াম নুংঙাইদুনা লাক্লি। হৌজিক্কী মীরোল অসিনদি নোংপোক থোঙ হাংবা হায়বসি নোংপোকলোমদা য়েংবা থৌশিলদা ঐখোয়সু শরুক য়াশিনবা হায়বসিনি হায়বা চপ চানা খঙলে। চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগী মরক্তা অফবা মরী থম্নদুনা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং নাকল অনীমক্লা খুমাং চাউশিন্না চত্থনরি। মরুওইনা ম্যান্মারদি ইন্দিয়াগা মরূপ-মপাং ওইবদগী কান্নবা য়াম্না ফংখ্রে। অদুবু, ইন্দিয়াদি কান্নবা ফংবগী মমি ইতা তাদ্রি। মদুগী মহুৎতা ম্যান্মাররোমদগী নারোলদা পুশিল্লকপা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী ফাবা-পূনবা, মীয়াৎ তাবগী থৌদোক কয়ামরুমদি তোয়না থোক্লে। মীগী নুংঙাইনবা সনা খাউজাও-খাউজাও পুরুবগী ফাবা মীগী মশীং য়াল্লে। হেরোইন, কানি নৎত্রগা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটনচিংবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী ফারকপদা মণিপুরী মচা য়াওদবা লৈশিল্লক্ত্রে। দিল্লিদবু ওইরবসু, বেঙ্গলোরদবু ওইরবসু, গুৱাহাটিদবু ওইরবসু সনা নৎত্রগা ময়াই কাবা দ্রগ ফাবদা মণিপুরী মচা য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈরক্ত্রে। মসিনা তাক্লিবদি ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌনরকপদা লোনা য়াদবা পোৎলম কয়াসু লোন্না পুবগী থবকশিং চত্থনৈ হায়বসিনি। মসিদা মণিপুরী মচাশিং মাংজিল থানা শরুক য়াই হায়বসিসু চেনবা য়াদ্রবা খূদম-চাংদম কয়ামরুম লৈ। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং অসি লল্লোন-ইতিক তৌবগী মহুৎতা মালেমগী ওইনা চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াননবগীদমক টেক্নোলোজি ট্রান্সফর তৌনবা, লৈবাক অমদা ফংবা পোত্থোক মফমসিদা য়ৌরক্লগা কান্নবা হীরম অমদা শেম শারগা অতোপ্পা লম অমদা অমুক য়োনখিননবগী লম্বী য়াৎপরোমদা মীৎয়েং চঙলগদি ঐখোয়গী মণিপুর করিগীদমক ইনাক খুনবা ষ্টেট ওইরোইদৌরিবনো? মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অদুনা নোংপোক থোঙ হাংলগদি মণিপুর মচাশিং নোংমদি খূয়া তুশীৎনা হিংবা পূন্সিরোল অমা লৈরগনি হায়না লৌনরম্বনি।

চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা ম্যান্মারগা মণিপুরী মচাশিংগা ঙমখৈ লান্থোক-লানশিন্দা ভিজা য়াওদ্রবসু য়ারম্মী। শক-চু মান্নবা, চাকচা-য়ুথক খেন্নবা কয়া লৈতবনা ম্যান্মার মচাশিংনি, মণিপুর মচাশিংনি হায়বা খঙদোকপা য়াম্না ৱাবনা অথিংবা থম্বা মফমদা ফাওবা চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অকিবা লৈনরমদে। হৌজিক্তি লল্লোন ইতিক্কী মরুওইবা মফমসি ম্যান্মারগী নম্ফালোং অমসুং ইন্দিয়াগীনা মোরে ওইরে। ম্যান্মাররোমদগী পুথোরকপা পোৎশিং মোরে ফাওবা থিনবীয়ু হায়বা নৎত্রগা ইন্দিয়ারোমদগী পুশিল্লকপদা তামু ফাওবা থিনবীয়ু হায়বদসু অদুম লোনা য়াবদৌনা তৌনরে। চহী খরগী মমাংদগী হৌনা ম্যান্মার মচাশিংনা মোরে খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা খুদেংথাবী চেক পোষ্ট ফাওবা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা ভিজা য়াওদ্রবসু য়াই। ইন্দিয়া মচাশিংগী ওইনদি নম্ফালোং মার্কেটতা নৎত্রগা ইন্দিয়ন ওঠোরিটিদগী খূদক্কী ওইবা ভিজা/ওঠোরিটিনা শকখঙবা চে অমা পায়রগা তামু ফাওবা চৎপগী খূদোংচাবা ফংই। অদুবু, চে অদু লৌবদা ইন্দিয়াগী করেন্সিদা লুপা ৫০ রোম লৌই। করিগুম্বা মতমদা ইন্দিয়াগী গাড়ীশিং তামু ফাওবা থৌজিনবা য়াই। মিলিটরিগী লৈঙাক লৈখিদ্রবা তুংদগীদি ম্যান্মারদা মণিপুরী মচাশিং চৎপগী চাং য়াম্না ৱাংলকখি। তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা মন্দলে ফাওবা লন্নাই গাড়ীশিংদা পূল্লপ-পূল্লপ চৎপগী খূদোংচাবা লৈরে। টুরিজমনা অচৌবা শেন্থোক লম্বী অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়বসি ম্যান্মার ওঠোরিটিসু চপ চানা খঙবনিনা ইন্দিয়ারোমদগী টুরিষ্ট ওইনা চৎপা মীয়াম তরাম্না ওক্লনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা চহী খরগী মমাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ম্যান্মার ওঠোরিটিগা য়ানখিবা মতুংইন্না ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা ভিজা য়াওদনা কিলোমিটর ১৬ ফাওবা চৎথোক-চৎশিন য়াহনখ্রে। মসিগীদমক কুমজা ২০১৮ গী ওগষ্ট ৮ দা হৌনবী মতুংইন্না রিবন কক্তুনা নাকল অনীগী বোর্দর হাংখ্রে। মীওই অমনা পাসপোর্ট অমদি ভিজা পায়রগদি মণিপুর ফাওদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী কন্ত্রি খূদিংমক চৎপা য়ারে। ম্যান্মার চৎননবা হোৎনবদা থেংনরম্বা খূদোংচাদবা পূম্নমকসু কোকহন্ননবা পান্বৈশিং পুথোকখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, নোংপোক থোঙ হাংবা হায়না ইপা-ইপূশিংনা পন্নরম্বা ৱাফম অদু হৌজিক্তি থবক্তা ওন্থোক্লরে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঐখোয় চাউখৎকনি, ৱাৎত-পাদবা লৈবাক অমা ওইগনি হায়না অহল-লমনশিংনা খল্লম্বা ৱাখল্লোনশিং অদু ঐখোয়না মঙফাওনহন্নবা করি-করি তৌরবগে? ঐখোয় চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবগী করি থৌরাং তৌরবগে, করি-করি হোৎনবা মথৌ তাবগে হায়বদু খন্নবা মতম য়ৌদ্রিব্রা?

এডিটরদা থারকপা চিঠি

নুংঙাই য়াইফবা মণিপুর অমা ওইরক্লবা হোৎনবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ঙসিগী মণিপুরগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মীওইবা অমা ওইনা ফোঙদোকচনীংবা ৱাফম খরা থমজগে মদুদি অহানবা লৈঙাক লৈরকপা মতমদা মণিপুরদা অমুক হন্না বন্দ, ব্লোকেদ লৈররোইদবা য়াম্না নুংঙাইবা বি জে পি লৈঙাকনি খঞ্জরুই। অদুবু ঙসিদি পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাহন্দ্রে। ইরমদম মণিপুর অসিদা য়াম্না তাঙনা অমখক লৈজবা এম য়ু অসিদা মপানগী লমদগী লাকপা এ পি পান্দেবু ভি সী হাপ্লকপদা এম য়ুগী মুসু, মুটা, মুসানা য়ানীংদবা লৈখিদে। মহাক্কী থবক হৈতবা, শেল থুমগী মতাংদা ষ্টুদেন্টশিং, ষ্টাফশিংগা পাউ ফাওনদবা অশোয়বা কয়া লৈবদগী মহাকপু পামখিদবনি। লৈরিবা লৈঙাক অসিদা শিন্দোকপীয়ু, দেল্লি গভর্ণমেন্টতা হায়বীয়ু হায়জবনি। নুমিৎ ৭০নি হেল্লবফাওবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থৌশাদবা অঙকপনি। ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অসি ইন্দিয়াগী অচৌবা লম বোম্বে, কোলকটা, দেল্লি, য়ু পি, পঞ্জাব, কর্ণাটাকাগুম্বদা থোকপা ওইরম্লগদি দেল্লিগী বি জে পি লৈঙাক্লা করি তৌগদবা। মণিপুরগী মীওই লাক্ষ ২৮বু করিসু খন্দবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম খরদা সী আর পি সীগী ধারা ১৪৪ চলাইদুনা মীওই ৫ ফাওবা তিনবা য়াদবগী অথিংবা লৈ, অঙকপা ৱাফম অমনা হৌখিবা তাং ৬/৭/২০১৮দা য়ুনিভর্সিটিগী এরিয়া অসিদা নুপা-নুপী কয়ামরুম্না রেল্লি অমা লাকখি। এম য়ু কেম্পস মনুংদা মহৈরোয়শিং অমদি এম য়ুগী ষ্টাফ কয়ানা চরা হেনবা, প্রোটেষ্টনচিংবা তৌদুনা লৈরি। লৈঙাক্তা হংজনীংলিবা ৱাফম্না ধারা ১৪৪ চলাইরিবা মফম অসিদা রেল্লি চৎপদা অয়াবা পীদুনা এম য়ু ফাওবা করিগী লাকহনবীরিবনো? মমৈথংদা খৎন-চৈনবা থোক্তুনা অশোক অপন য়াওনবা অসিরা। রেল্লি চৎপা মতমদসু ৱাখল তানা চৎপীয়ু। চৎপীরিবা মীয়াম্নসু নখোয় ঐখোয়গী ৱাকৎফম কদায়দা লৈবা, সী এম, গভর্ণরনচিংবদা পেন্দবগী-অপাম্বগী খোল্লাউ লাউবিয়ু। এম য়ুদা কনাসু লৈত্রে লান মনুংগা চপ মান্নরে। রেল্লি কনা-কনানা শিন্দুনা চৎখিবা, মীওই কয়াদা পৈশা পীরগা চৎহনখিবা মীয়াম্না লোইনা খঙবা ঙাক্তনি। লুরিবদি লৈঙাক অসি বি জে পি গভর্ণমেন্ট নৎত্রা মীয়াম্না নখোয়বু থাজখিগদ্রা। নখোয়গীদা খনগনু নখোয়দা ভোট পীখিবা ঐখোয়গীসু খরা খনবীয়ু। দেল্লিগী বি জে পি গভর্ণমেন্টনা হায়রকপা ৱাফমদা মণিপুর বি জে পি গভর্ণমেন্টনা য়াগদ্রা। মণিপুর বি জে পি গভর্ণমেন্টনা হায়রুবদা দেল্লিগী বি জে পিনা য়াবিরক্কদ্রা। নখোয় অনীগী মরীনা করিনো।

মমাঙগী চহী খরদা দেল্লিদা বি জে পি গভর্ণমেন্ট লৈখ্রে মদুদসু মণিপুরদা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরমখি। দেল্লিগী বি জে পি গভর্ণমেন্টকী থৌজালদগী মণিপুরদা জুন ১৮দা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। মণিপুরগী লৈহাওদা বি জে পিগী থম্বাল পক্লদ্রবরা? থমচেৎ ওনখিগদ্রা চীংনদবা ঙমদে। মণিপুরগী অয়াম্বা মীয়াম্না য়ূম খুদিংগী টি ভি য়েংনৈ, পাউচে পানৈ। করিগুম্বা কান্দা আই এস টি ভি অমদি ইম্পেক্ট টি ভিগী দিস্কসন চপ মান্ননা য়েংনৈ। লৈবাক ঙাকপীরিবা মিনিষ্টর ময়াম, এম এল এ ময়ামগী মরমদা লমদম অসিগী অখণ্ড অহৈ কয়ানা নৈনরি। হায়রিবা থৌরম কয়া অসিসু য়েংবীদুনা লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়া শেমদোকপীদুনা নুংঙাই য়াইফবা মণিপুর অমা ওইরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়জরি।

অদোমগী - ককচীংতাবম রাজেন শর্ম্মা
বি জে পি এক্টিভ মেম্বর, আর টি আই সেল মেম্বর
এনরোলমেন্ট ইন-চার্জ, শিংজমৈ এ সী

কোক অসে থাংথবনা ফরদ্রা

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



নোংথোম্বম চনু মীনাকুমারীগা, লৈচোম্বম চনু শখিগা মখোল শুকমান মান্নদে। ওক্রম চনু ইবেতোম্বীগা থৌদাম চনু রোমাশিনীগসু মখোল মান্নদে। চনুশিং অসি হৌজিক্তি লৈমা লোইনা ওনখ্রবনি। লৈমশিং অসিগী মশক উদ্রবসু মখোয়গী মখোঞ্জেল তাজরগা সিনা মীনাকুমারীনি, সিনা শখিনি, সিনা অদুনি, সিনা অদানি হায়বা লোইনা খঙবা ঙম্মী মখোয় মরিমক্কী নুপা ওইবীরিবা তেলেম ইবোপিশক হায়রিবা নুপা অসিনা। মীনাকুমারীনা মখোল মেঙজে তপচৈ, শখিগীনা তাম্না তারিবা তাম্নাগী মখোল হায়ফেৎ মানবা অমা য়াওরি মশকসু মাদৌনা ফজবা য়াওদে ঐখোয় শ্বাইদা। ইবেতোম্বী মখোল খরা য়াকচৈ, শেং-শেং লাউজৈ অমেঙবগী শরুক য়াওদে, রোমাশিনীদি ফিল্মগী হেরোইনগী মখোল দব্বীং তৌববু য়াগনি। অসুম্না মী-মীগী পীথোরকপা মখোল অমমম্ লৈজে। মখোঞ্জেল অদু খেন্নবগী মতেংনা মীৎ চেজেৎ উইশিল্লবসু ৱা ঙাঙলিবা মী অদুগী মশক অদু খঙবা অদুম ইরায় লায়না ঙম্মী। মসিগী কান্নবা য়াম্না লৈ।

শমুরৌগী তামো ডোক্টর তেম্বগী মখোলগা তামো মনিন্দ্র কোন্সমগী মখোলগা য়াম্না মান্নে, তামো কেশো ইরেংবগী খোঞ্জেলগা শমুরৌগী সনুখ্বা ওজা জিতিন্দ্রগসু খোঞ্জেল য়াম্না মান্নে। তুংলোমদগী ঙাঙলকপদা মখোয়সি কনা কনানো হায়বা খঙবা ইঙম ঙল্লোই মখোয় সিগুম্বা খরগীদি। সিগুম্বনা সিগুম্বনি, সিগুম্বসিদি মী থোইনা য়ামদে।

মতৌ অসুম তৌদুনা স্কুটরগী মখোল, কারগী হোর্ন মখোল, ট্রকশিংগী মখোল, বসকী মখোল, ওটোরিক্সোগী মখোল, জীপকী মখোল, সাইকলগী মখোল হায়দনা লোইনা লৈরি। গাড়ী অচৌবগী মখোলনা চাউরে হৌরে, গাড়ী মচাগীনা মখোল পীক্লে, হৌদ্রে। মীওইবগী লূখমদা মীৎ পান্দে। লূখমদা মীৎ পাঞ্জদ্রবসু তুংদা নকশিল্লক্লিবা গাড়ী মখল অয়াম্বগী মখোলশিং গাড়ীগী মশক উদ্রবসু অদুন্মক খঙবা ঙম্মী। মসি খূদোংচাবা অমনি।

নহানদি ওফিস কাজরকপা নুপা অমা লম্বী মতায়রোমদা খংথৈ হেক থৈদোকচরুবদা মাগী স্কুটর অদু লোংশল্লে হায়দুনা ময়াম চেনশিন্দুনা গাড়ী হৌগৎনবা লাক্লরম্মী। তৌবগীদি মাগী লাইবক্তা গাড়ী লোংশিনবফাওবগীদং তম্বীরমদুনা মশাদি ইশোকপু শোকহৌদ্রে, গাড়ী খূকোপ্পুদি শেল ফনা য়াম্না চঙদৌদি মাল্লি। কমায় তৌরিনো, কমায় তৌরিনো হায়দনা য়োমশিল্লিবা মীয়ামদুনা হংনরে। মনা হায়বদা মাগী তুংলোমদগী গাড়ী অমনা মাগী গাড়ীগী মনাক খম থেংনা নকশিল্লক্তুনা থেংজিনগে তৌরবকান্দুদা অহৌবা হোর্ন অমা খংপী হেক পীশিল্লকপনি হায়রি। শিবা তারে হায়দুনা মানা মাগী স্কুটরদু খংপ্রেক খংনা য়াম্না লাপ্না খংথৈ থৈদোক্লবা হোৎনবদা কোংকুৎ অমদা থৌজিনবনি হায়না খুল্লকখি অদুবু মাবু হোর্ন হৌনা খোংলগা খংপ্রেক খংহল্লন্লিবা গাড়ী অদুদি করিম ওইরমদ্রে পাখং মচা অমনা কারগী হোর্ন পাল্লগা থৌবা স্কুটর অমা ওইরল্লে। মাবু তুবদগী হৌগৎপীরম্বা পাখং মীওইশিং অদু মাগী পাউখুম তারগা ৱা লাউনা নোক্লম্মী।

মদুদা নুপাদুনা স্লোক থিধরকপবু লোইরেহে, “মণিপুরসে বাইক, স্কুটরদা কারগী মালগাড়ীগী হোর্ন পানশিল্লগা মীরক্তা থৌবা মী সোনো য়াম্না থোক্লক্লবনিকো… চেকশিঞ্জৌ চমফুৎশা, নখোয়সু মসি নোংমদি শুংশোয় হেক শোয়দনা থেংনরক্কনি, মতমদুদা নখোয়সু খঙলক্কনি। গাড়ী মচানা অচৌবগী হোর্ন পাল্লবদি খংপ্রেক খংবা তাবনি। অদুগনে অতো… নোক্লিবা নখোয়সু নোংমা গাড়ী অদুম লোংশল্লুকো।” অসিনি মাগী মীচৈ।

নুপাদুনা অসুম্নসু অমুক মখা তারকই, “ঐখোয়নদি মুন্না খঞ্জিল্লুদবা খোইদৌ শাওগৎ শাওগৎপা ময়াম অমা ইরমদমসিদা লৈখ্রে। ঐনা ঙসি ফাওরিবা খোইদৌ খুশাওগৎ অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা পাউচেগী এডিটর অমত্তনা ইবীরদি নুংঙাইখ্রনিদা, ট্রাফিক পুলিসকী এস পি অমত্তনা মসিগী মতাংদা মীফা-মীপূন তৌবসু থেংনজদ্রি, ঐ নৎতবা মীচম অমত্তনা কমপ্লেন তৌবসু তাজদ্রি, ঐনা হায়জরিবা অসিবু য়াম্না অঙাং মচা তাবা ৱা ওইরদ্রনে?”

মাবু মথক মখা ওলহল্লম্বা গাড়ী মচা অদুদি গাড়ী অচৌবা শার-শারগা হেনগৎলগা অদুম চৎখ্রে। গাড়ী নম্বর ফাওবা খঙহৌবা ঙমহৌদ্রে। নুপা অদু শেক-শেক্তুনা মাগী স্কুটর অদু ষ্টার্ট হৌরগা থৌদুনা নীংঙাইদনা অদুম চৎখ্রে।

মণিপুরগী লম্বীদি তৌনীং তৌনীংবা মনিং তৌবা য়াই। বন্দ হেক্তা তৌবা য়াই, লৈপাক তৌখায়নীংবা মফমদা তৌখায়বা য়াই। চিনখ্রবা মীরক্তা গাড়ী মচা অমনা হাইগৎতুনা এসেলেরেটর লৈখৎলগা হুৎ-হুৎ লৈরগা নাক-য়েৎ হাইরগা থৌবদা ট্রাফিক পুলিস অমত্তনা নহাক্কী গাড়ী খূৎথৌ অদু চুমদে, মীঙোন্দা অকায়বা য়াম পীরে, খরা তপ্পা থৌ হায়বসি করিম হায়নদে। হায়রুবসু ঙম্নদে। হোর্ন পংখোংদা খোংলগা মী অমনা শিনি-নানি খঙদনা গাড়ী পংথৌদা থৌখিবদা লূপ অমত্তনা থিংলোই।

গাড়ী মচাদা গাড়ী অচৌবগী হোর্ন পানবা অসি তোকহনবা ঙমগদবা নুপা অমত্তা মণিপুরদা পোক্ত্রিজাৎলা? করিসু লৈতবা ৱা মানবা পোৎশক অসি য়াম্না খূদোং থীনিংঙাই ওইরেদা। মসি য়ারোই হায়দুনা লৈঙাক্লা করিনো অমত্তদি লাউথোকপীয়ুদা। পোৎপুদি করিসু লৈতনা উবীরম্বা য়াই, মসিদা অৱাবা তাবা মী য়াম্না য়াওনরবনিকো।◂◂

য়ু শুংবা য়াই, য়ু থকপা য়াদে

নবকুমার ওইনা

ফেক্টরিদা য়ু শুংবসিবু য়াদ্রিবসি য়ু পীথকখিগে, য়ু থকখিগে হায়বনি। ফেক্টরিদা শুংখ্রবদি খুল্লক্তা শুংবসি ইলিগেল ওইরদৌবা ওইরমগনি। শুংলিবা মীয়ামগী মরক্তগী ফেক্টরিদা শুংবা য়াদে হায়রকপা মাল্লকই, মরী-মতাদি শোয়দনা ওইরমগনি। য়ুয়াম শুংবসু মীয়াম্ননি, য়ু থকপসু মীয়াম্ননি, তায়নবনা লৈঙাক্তনি, হৌনবা ৱা নত্তে। থক্কেরা, শুংগেরা, ঙাওগেরা মীয়ামসিনা অমুক্তা লৈখায় তাখো হায়রবদি কমদৌবা। য়ু থকচিল্লগা খুল্লকপগা য়ু থক্তবনা খুল্লকপগা মান্নগদৌবা মান্দে।

পুক ফবগী ৱাদি মান্দ্রে, ফেক্টরিদা শুংখ্রবদি খুল্লক্তা থকপা হন্থহনবা য়াগদৌরিবনি। খুল্লক্তা শুংবা য়াররোই, ফাবা, পেনালটি পীবা য়ারগদৌরিবনি। চেঙ ফংদদুনা মুৎখ্রবসু য়ারে, লমদম অসিদদি য়ু শুংদ্রেদনা। চিনিগী ফেক্টরি মুৎখ্রবসু চিনি চাবদি ফংলিবসি মঙায়। দাইবেটিস লৈবা মীনা চিনি চাদ্রিবসিনি। ঙাঙনরিবসি য়ু থকপা মী ঙাক্তনা মখোয়গী ফনবা ঙাঙনবা মাল্লকপদুনি, ফেক্টরিগী অৱাবদু হৌজিক্তগী পুবিবসু য়াওশিল্লক্লি। শুংগে হায়রবদি চেঙদগী শুংগেরা চুজাক্তগী শুংগেরা, চুদগী শুংগেরা, অঙ্গুরদগী শুংগেরা, নাসপাতিদগী শুংগেরা, থারগা শুংখ্রসনু। রো মেটেরিএল ফংদদুনা মুৎখ্রবসু য়ারে। মরমদি য়ুসি শুংহন্নীংদবা। শুংলবসু শুংদ্রবসু থক্লখিদৌবদি মাল্লি।

মসি খঙহৌদবদগী শুংবা য়ারোই হায়রুবসু মাল্লি, খুল্লক্তা শুংলিবশিংনা মখোয়গী থবক মুনখ্রগনি হায়বগী শুংবা য়ারোই হায়না থিংবসু মাল্লি। ফেক্টরিদা ওইনা শুংবা য়ারোই হায়বসি শুংলিবা মী ওইফম থোকপদুনি, থক্লিবশিংনসু শৌগৎফম থোকপনি। হায়বদি ফেক্টরিদা শুংখ্রবদি নাওয়োম মানবসি ফংলরোই, মমলসু ৱাংখৎলকপা য়াই, শোৎপসু য়ারক্তবা য়াই। হৌজিক শুংনরিবসিসু অদুম য়ারি, হাওবসু য়াওই, মী শিবসু য়াওই, মমলসু ৱাংদে হায়রি। মমল ৱাংবদু য়োনবা কয়া নুংঙাইতে, থকপদি নুংঙাইরম্বা য়াই। অসুম্না শুংনরগা অসুম থকপা হেনগৎলক্লবা, থকপা তোক্লদ্রবা নুংগী চক্কী মী মাল্লকপা তাবনি, মুৎশিল্লক্তুনা শুরুংদা চঙনখিবসু য়ারি।

চেঙ তাঙলক্কনি হায়বসিদি চেঙদগী শুংদ্রবসু য়াই হায়বসি খঙনদবগী ওইগদৌরি। ফেক্টরিদা শুংবা হৌহল্লগা চেঙ পীবা য়াদে হায়রগা ফরবা ৱাদুবু, লোইনা ৱা ৱা হায়দোক্ল রেদো। য়ুবু লাইরো। য়ু শুংলগা য়াম্না লেম্বা, য়ু থকপা লাকপা মীশিংদা থৌগল্লোন ইয়াও য়াওদনা, পৈশা পায়বকাক শারগা, নাপল হায়ফেৎ য়াওনা ৱাজাওকাক ঙাঙবা, মহাজোন মান্না গ্লাস চান্বীদকাক খরা চাউরপ ঙাঙজবদু ওন্থোক্লা য়াম্না পাম্নখ্রবোয়দা। য়ু শুংবা য়ারোই হায়রিবশিংসি য়ুদা থৱায় য়াওবা, য়ু থকপা, য়ু শুংবা, য়ু ঙাওবশিংগী মরী-মতা শোয়দনা ওইরমগনি। য়ুদা তোকখিনবা মোনোপোলি অমত্তা তৌবা য়াদবসিবু য়ু থকপদা শৌগৎপা ওইনা থোক্লোইদ্রা। য়ু থক্ত্রবদি য়াদবগী মওংদা য়ু থকপফমদা নিবগী মওংদা মনাই মশন্দৌনা থকপসু ময়াওরমগনি। য়ু থকফমদা অচাউরম তান্নবসু য়াওরিবনি। য়ু য়োনবীশিংগী থৌগল্লোন য়াওজদবা নাপল কাবদি লায়রদনা কাঙলূপকী ওইনা ইগো য়াওনবা মানবসু য়াওনরমদৌ মাল্লকই, থক্লিংলগা থকউ, থক্লিংদ্রগা তোকউ হায়না খল্লমদৌবা মানবসু উবা য়াওই। হায়বদি নখোয় অমা অনী নৎত্রবসু মী ময়াম লৈ, পুলিসনসু ফাদ্রবনি হায়বগী মওং ঙাকসু মাল্লি। মসিগুম্বসি লৈঙাকসিনা উবা ঙম্বা নৎত্রি। পৈশাসু লৌবা য়াবা নখোয়দা করিগী নোঞ্জরগা য়ু য়োল্লুগদৌরিবনো হায়বগী থাক অমদা পুখৎলক্লিবা অসিদি লৈঙাক অসিনা শোয়বগী ওইফম থোকই। য়ু থিংগনিদি হায়বা কুপথনা থিগত্তবশিংগী মওংসিনসু হেন্না হেন্না লৈখা তারকপগী মওংদা পুশিল্লকপগুম তৌরকই। ইশাগী খুন্দা থকপা য়াদবদগী মীখুন্দা পৈশাগা কোন্ননা লোয়পোৎ হল্লুবগুম থোক্লি। থিংগে হায়রগা মফম খুদিং ঙম্নবা থিংঙু, ইম্ফাল ময়োন্দা য়ু ময়াম য়োলহল্লগা ইশাগী শেল তানবদি য়ারোই, মীঙোন্দা শেল পীথোকপদি য়াবনি। শেল পীথোক্লক্লবা মতুংদা ফারগা হৈদোক্লিবসিনা করিগীনো? শুংফমগীদি শেল লৌরগা, পুরিবশিংগীনা শেলদা য়ানদ্রবরা? মাঙহল্লিবদুনা কনাগী শেলনো? মকন্থিনা মরল ফোয়দৎলগা হায়বা ইনবা, অফবা, অরেম্বা শানরিবসি য়েংবদা নোকপসু য়াওনরিবনি। লো লৈরে হায়বসু খঙদে, লৈত্রিবরা হায়বসু খঙদ্রে সিটি ময়ায়দা য়োল্লিবশিংগী খল্লগা চীংখোঙদগীদি পুশিনবা য়ারোই হায়বসি নাকল অমগী মোরেল সপোর্ট তৌবনি হায়দবা য়ারোই। থিংগনি হায়রিবশিংগী মীরোল থুংদবা, খঙবা ৱাৎপা লো শেম্বা হৈতবা, লোদু ঙাক্লা চৎনবা শেন্নবা ঙমদবগী ওইগনি খল্লি। থোংলিবা, য়োল্লিবা অমসুং থিংলিবা পূম্নমক্কী অৱাৎপা, অশোয়বা য়াওবগী শোয়দনা ওইগনি। খন্নবা ৱাৎপগীসু ওইরম্বা য়ারি। থিংগনি হায়বদি হৈবা থৌশিলদি হৈতবসু ওইরম্বা য়ারিবনি। মীপূম খুদিং য়াহনবসু ঙমদবা হায়বদি চুমদবা ওইরম্বসু য়ারিবনি। অনকপদদি শুংবা য়াদে হায়বসিদি লাল্লি।

লল্লোনবা য়ারোই হায়রিবসিবু করিগীনো? লৈবাকসি, খুন্নাইসি অফবা শারগা মুত্থৎলগে হায়ব্রা? ফেক্টরিদা য়ু শুংলগা নখোয় লোয়না থকউ হায়বসু নত্তে। চঙলুবা য়াবা নত্তে, শোৎলুবা য়াবা নত্তে। থক্লিংলগা সিফাইনা য়োল্লিবা অসি মঙায়। কদায়দদা থিংলিবনো? খূৎনা খোঙনা থিংগদৌবা নত্তে, কোক্লা থিংগদৌবনি। য়ুগী গৌর-লীলা শান্নবসি তোক্করদৌবনি। লিলাদৌনা থোইবী শারগা খম্বা কনবা ঙমদৌবা লৈতে। শুংবদি থিংদ্রগা পুরকপদা ফারিবসিনা করিগীনো? সিফাইদগী পুথোকপদি থিংদ্রগদি, পুলিসনা সিফাইদা মতেং পাংলিবা হায়বদুরা। ফারগা হৈদোকপসিসু থিংগদৌবনি, ফারিবা য়ুদু কেমিকেল টেষ্ট তৌদনা হেক্তা হৈদোক্লিবা করিগীনো? করম্বা ফার্মনা য়ুনি হায়বগী সার্টিফিকেট পীবনো? লোসি মখূৎতা পায়রগা পংতৌ তৌবা মাল্লকপদুনি। পংলিব্রা-শিংলিব্রা, সিফাইনা য়োনবনা ফাবা ঙমদবা, চেঙনা শুংবা য়ুদুনা হৈদোক্লগা মাঙহনবা। ষন্থিগা থিৎলগা লৌবুক্তা চায়রবসু ফৌগী লায়না খরদি ফরম্বসু য়ারিবনি। থকপা য়াদবা মচু শংজিল্লগা ৱার্কশোপকী থাওথি চাম্বসু য়ারমদৌবা মাল্লিবনি।

য়ু শুংবসি য়াম্না হৈরবসু নৎত্রি। সাইন্টিফিক প্রুফ অমা চঙই। হামৈসি বেক্টিরিয়া কলচর তৌবনি, য়ুগী মচল অমা নত্তে। হামৈদু নুংশাদা য়াইবা নৎত্রগা মৈনাক্তা থম্লবদি হিংকুপ্তু শিগদৌরিবনি, থুগায়বা মতমদা হামৈদু য়াম্না কন্না শুগাইরবসু মহিকশিংদু শিবা য়ারিবনি। ঈশিং অশাবদা তিংলুরবসু শিগদৌরিবনি। হায়রিবা ময়ামসি য়ু শুংলিবশিংনা লোয়না খঙবা মান্দে, মিথিকেল্লি য়াই-য়াদে খরা খঙবগী ৱাতা মাল্লি। কেরোসিন, ফিনাইল, দিটোল, পেট্রোল, দিজল থাওশিংসু মহিক্তু শিগদৌরিবনি। এসিদ অমসুং শাপোন অয়াম্বদসু শিগদৌরিবনি। মাইক্রোসপোক শীজিন্নরগা অতোপ্পা মহিকশিং য়াওব্রা য়েংবসু নত্তে। মরমশিং অসিদগী টোক্সিক ওইবা অতোপ্পা মহিক নৎত্রগা পোৎয়ান য়াওবদগী মী শিবা য়াওনরক্লিবনি। স্পিরিট য়ানশিল্লি, চিনি খরা হাপচিল্লি, এস পি গুলি হাপচিল্লি, ঈদাক মনা হাপচিল্লি, কাং ঈদাক হাপচিল্লি, গঞ্জা হাপচিল্লি, নম্বর ফোর হাপচিল্লি, শঙ্গোয় ঈদাক হাপচিল্লি। ময়ামসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবা য়ু শুংলগে হায়বশিং রেজিষ্টার তৌবা তঙাইফরক্তবনি। টেক্স খোমগৎপা তারকপনি, বারবরিক ওইবা থৌওংশিং থিংবা তারকপনি। থক্কেরা থক্লোইরা মশা মশাগী ৱারেপনি, থৌওংশিং অসিদি মোর্দনাইজ তৌদবা য়ারোই। টেক্নোলোজি অনৌবা শীজিন্নরগা শোয়দ-ঙামদনবা মওংদা তৌগদৌবনি নৎত্রবদি পুমথিং থিংগদৌবনি।

লৌবুক মাঙহনবা, য়ূম-কৈ-দুকান-ফেক্টরি শাজিনবদি থিংবা ঙমদ্রগা য়ু শুংখ্রবদি চেঙ কোন্নরোই হায়বসি ৱারিনি। হান্ননসু অদুম য়ু শুংলিবসি চেঙদগীনি। চেঙদগী য়ু শুংলগা হৈদোক্তুনা মাঙহনবা, মৈ থারিবসি মালেমদা ফুরুপ অতৈ লৈবা নত্তে। হৈদোক্কদৌবা ওইরবদি শুংহল্লোইদবনি। খূৎ য়েৎকা ওইগা পাউ ফাওনদবনি, মী মাল্লক্তবদুনি। শা-কৈ ফাওবা ষণ-ইরোই অমা ফাবদা পূন্না হাৎমিন্নে। য়ু থিংবদা পূনবা ঙমদবা ফুরুপ হায়বসি অতাঙবা অমনি।

য়ু ফত্তবা পীথকপসি তপ্না তপ্না মী হাৎপনি। ফজনা য়ু শুংবা হৈনরবা নৎত্রি। ফেক্টরিদা শুংলবদি হৈতবা য়াররোই। জপান্দা তম্লুগেরা, ফ্রান্সতা তম্লুগেরা, রসিয়াদা তম্লুগেরা, লন্দন্দা তম্লুগেরা তমহল্লুবা তাবনি। ফেক্টরিদা শুংদ্রিঙৈদগী টেক্স লুপা ক্রোর-ক্রোর কারম্মী হায়বসি কদাইদগীনো? য়ুঙাংগী দুকান্দু তোকহনখ্রগা সিফাইদা য়োলহল্লিবসি লুপা ক্রোর-ক্রোরদু সিফাইগী দুকানশিং অসিনা ফংদুনা লৈরি হায়বনি। মচিং ফবা খরনা য়ু য়োনবা (দুকান) থিংবদগী লৈঙাক্কী শেল মাঙহনখ্রে, নাৎকী মিংদা য়ু শুংবশিংনা ফুরা-দলান শানখ্রে। মসিদবু য়ু শুংবা থিংলিবশিংগী লিলাসিবু কদায়দা চুল্লিবনো হায়বা, খঙনদ্রিবনা কদায়দনো? চরক চহিং নায়রিবা ময়ামসি লৈখায় তানা ঙাঙনবা ঙমদ্রিবা লৈঙাক অসিবু কদায়দা মতিক চাবনি হায়গদৌরিবনো? য়ুগীদি লৈঙাক লৈতে।

মীয়াম্না য়ুঙাং য়োনবা য়াহন্দবা, সিফাইনা য়ুঙাং য়োনবদি য়াহনবা হায়বসি সিফাইনা নম্বর ফোর য়োনবসু য়াবা তাবনি। য়ু ফাবা-ফদবা, শুংবা-শুংদবা, মী শিবা-শিদবা হিংহৌরিবা খরদি হিংদবা য়াদবনিনা শেল তান্দবা য়াদে হায়বনি। শেলদু মপান্দা চৎখিদনবা নশাগী শুংলগা থক্লিবসি ফজনা শুংলগা থকউ, মীঙোন্দসু য়োল্লু হায়বনি। থক্কেরা থক্লোইরা য়ু শুংলিবশিংদি মেকানাই তৌহন্দবা য়াদবদুনি। চার্জ তৌবা য়ানবা রেজিষ্টার তৌহনবা তারকপদুনি। থকপা অমসুং থক্তবা হায়বসি শুংবা অমসুং শুংদবদা তায়নবসু মাল্লি, মসিমক্তি অরানবা ৱাখল্লোন অমনি। ফেক্টরিদা শুংদ্রবসু থক্লখিগনি, সিফাইনসু য়োল্লি, শুংদ্রবসু থক্লরিবা অসিনি। মোন্দা নুংঙাইনবা পংঙাঙ ঙাঙনবসিনা লৈবাক্কী থৌশিলদা অকায়বা পীহনবদি ফত্তবনি। মমুৎ তানা তুং-মাঙ য়েংনা খন্নথোকপা ফরবনি। ওইগে ওইয়ু, ওইরোই তোকচৌ ঐগীদি ঙাঙদবা য়াদে হায়নবসু অফবা নত্তে। ঐখোয় খরদি ঙাঙজরে হোংবা য়াদে হায়রবদি লৈবাক পানবগী ৱাঙাঙ ওইনরক্লোই। হেক্তা হৌগদৌবনি হায়বসি মমৈ পান্দবা উচেক তারক্কদৌরিবনি। মমায় চুম্বা য়ারোই, পাইবসু য়ারোই। মায়সু পাক্লোই।

লো লৈরি লৈবাক লৈরি, মী ময়াম লৈরি। দেমোক্রেসি মান্দ্রবদি য়ু থিংবসু য়াখিরোই। লো শেম্বা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি। হৌজিক হৌজিক তৌরিবসি লো ওইনসু লৈতবগা মান্নরি, লোদু শেন্নবা মীসু লৈতবগুম্বনি। শা-ঙাগী মানা মানা থোকপা পংতৌ তৌনবদু মাল্লিবসিনি। মসিদা থাজবা থম্লবদি থিংবা পাল্লিবশিংগী অশোয়বদু ময়েক শেংনা পুথোক্লদুনা খন্নথোকপা চুম্লকই। থিংদবনা ফরকই। ফজনা থিংবসু নত্তনা থিংবগী মিংদা শেন্দান লম্বী ওইনরিবসি খঙবা ঙম্নদ্রবদি মীওই খরনা খুন্নাইসি লান্না পুনবা হোৎনরি। মদুগীসু চৈরাক তোঙান্না লাকপসু য়ারিবনি।

থিংলিবা মীশিংদগীদি থক্লিবা মীশিংনা হৈবা হেল্লক্লি। য়ু শুংলগা পংপি-পিথকপসি খুন্নাইদু মুত্থৎনবা শিল্লিবনি।◂◂